ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯵, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯸꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জন্যুৱারী ১৫, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৮৮শুবা মশীং

# ভোটরশিং পঙথরগুমসি

## ক্বা মতপ অমদা চিন পৈহল্লগুমসি

মণিপুর মীয়ামগী ৱায়েল থৌদা তৌনবা অমসুং মণিপুরগী লৈঙাক্লোনগী খুর্জি পায়হন্নবগীদমক পাঙথোক্লিবা মীখলসি য়াম্লক্লে। ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইদুনা লৈবাকসিগী ফিবান্নুংদা ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দা তিন্দ্রিডৈদগী পাঙথোকপা হৌরকখ্রবনি। হায়বদি বৃটিশনা থাদোক্লমদুনা ওগষ্ট ১৫, ১৯৪৭তগী মণিপুর হান্নগী নিংথৌ পানবগী লৈঙাক্তা হঞ্জিনখিবনি। মখোয় চৎখ্রবা মতুংদদি লৈবাক নিংথৌ লৈজরগসু মীয়ামগী মীহুৎশিংগী লৈঙাক লিংননবা মণিপুর কন্সটিট্যুসন এক্তকী মখাদা কুমজা ১৯৪৮দদি মীয়াম্না খঞ্জরকপা মীহুৎশিং লৈজখ্রবনি। অদুগা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইজরুবদগীসু মণিপুরনা য়ুনিয়ন টেরিটরি ওইরিডৈদগী হৌরক্লদুনা লৈবাক ঙাক্লবা মীয়ামগী মীহুৎশিং খল্লকখ্রবনি। অদুগা জন্যুৱারী ২১, ১৯৭২দা মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরকখিবদগীদি হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০ অসি লৈরক্তুনা মসিগী মীহুৎশিং খন্নবগী মীখল লেপ্তুনা পাঙথোরক্লিবনি। হৌজিকসু ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী মতম লোইশিল্লক্তুনা মহুৎ শিনগদবা অনৌবা ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোক্কদৌরে। মীখল পাঙথোক্কদবা মতম লাউথোকখ্রে। অনৌবা মীখলসি শোয়দনা পাঙথোক্লগনি। পাঙথোক্লগদবা মীখলসিগী মাঙওইননা য়াম্না ঙনখৎনা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা অমসুং ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিংনা ভোট খোম্বগী অকনবা থবকশিং হৌনখ্রে। মীখলসিগা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্লখ্রে। অদুগা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না ভোট খোম্বগী, ভোটকী মাঙওইনবা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লবগী অরোইবা মতম পীরক্তুনা অথিংবা থমজিল্লক্লবা ফাওবদা নমথেক্তুনা অদুম্মক চত্থনরক্কদৌরিবনি। মমাঙ-মমাঙদসু তৌখি, হন্দকসু অদুম তৌরক্কনি। মসিনা ইলেক্সন অসিগীদমক পোলিটিকেল পার্টিশিং, মখোয়গী কেন্দিদেটশিং অমসুং ৱার্করশিংগী ওইবা থবকনি। তৌনীংবা তৌজসনু, মীখলগী হৌনবীনি।

অদুবু মাঙদা তারবা অনৌবা মীখল অসিগীদমক মণিপুরগী মীয়াম হৌজিক কৈদৌবা তাবগে? চীং অমসুং তমগী ওইনা অপূনবা এসেমব্লি সেগমেন্ট ৬০দগী মীহুৎ অমমমদি শোয়দনা থাগৎলগদবনি। মসি ওইরগদি করম্বা পার্টিগী মীহুৎশিং খন্দুনা লৈবাক ৱায়েল থৌদাবগী থবকসি খূৎশিন্নগদগে? ৱাহংসিগী পাউখুম ভোটরশিংনা শেংনা শেংনা পীজরগা ভোট পীদুনা লৈঙাক পায়নবগী পৱার খূৎশিন্নবনা চুমগনি। হৌখ্রবা মণিপুরগী পোলিটিক্সকী পুৱারীশিং লোইনা মকোক্তগী কোৎথোক্লুদ্রবসু কুমজা ১৯৭২দগী পাঙথোরকখিবা মীখল ফাওবদং হঙ্গৎনা য়েংলুবদা হৌজিক ফাওবদা লৈঙাক পায়রকপশিংনা মণিপুর মীয়ামগী করি করি তৌখ্রবগে? য়াম্না হৌখ্রে, এদ্যুকেসন, হেল্থ, রোদ কন্নেক্টিভিটি, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, দিভেলপমেন্ট, এগ্রিকলচর, হোর্টিকলচরনচিংবা য়াওনা সেক্টর পূম্নমক্তা খূৎ থাখ্রে। ষ্টেটকী লো এন্দ ওর্দর মেন্টিনেন্স অমসুং সিক্যুরিটিগী ওইবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎখ্রে অমসুং পাঙথোকখ্রে। তৌদে হায়বা নত্তে, ওন্থোক্না য়াম্না তৌখ্রে। তৌখ্রিবা দিভেলপমেন্টকী থবক ময়ামদুগী মহয়নি হৌজিক, ঙসি ঙসিমক্কী মণিপুর উবা ফংলিবসি। তৌসনু, তৌফম থোকপগী তৌবনি। মপী-মপা ওইবা অমসুং মমা-মপা ওইবশিংনা মচা-মশুগীদমক য়ামখ্রবা থবক ময়াম অমা তৌবদি মহৌশানি। তৌগদবনি, তৌফম থোকপদগী তৌরিবনি। মখা তানসু তৌখিগদৌরিবনি। মসিগীদমক পাউথংনবগী ৱাহন্থোক লৈতে। লৈসু লৈরোই। অদুবু হৌজিক ফাওবদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল ১১ রক পাঙথোক্লবা ফাওবদা লৈঙাক পায়খিবা পার্টি অমসুং মখোয়গী মীহুৎশিংনা তৌরমদ্রবা, মশক থোক্লা, অতম্ননা তৌরগে হায়না থৌওইনা তৌরমদবা থবক ময়ামদি লৈরি। অদুবু অমত্তং খনগৎতুনা চিংখৎলগা লৌখৎপদা থেংনরিবসি 'অন এমপ্লোয়মেন্ট প্রোব্লেম' সিনি। মসিদি মণিপুরদা মরূ ফংনা মুত্থৎলগে, শুংলৈ-লৈহল্লরোই হায়দুনা মমাঙদা লৈঙাক পায়খিবা পার্টিশিংনা হোৎনখিদ্রি। কোংগ্রেসনা চহী ১৫ লৈঙাক পায়রম্বদসু তৌখিদে। ঙরাং নহান্ত টর্ম অমখক্তমক পায়বদা ঙাইরিবা, পেৎ-পেৎ লাওরিবা বি জে পিনসু তৌদে। অতৈ পার্টিশিংনসু তৌদে। তৌদে, হাপ্তে হায়বা নত্তে, লৌই, হাপ্পী অদুবু মতম মতমগী মথৌ তারকপদা খরা খজিক লৌরগা হাপ্পনি। অদুগা লৈঙাক্না থবক ফংদ্রিবা লাইরিক-লাইশু হৈরবা পূম্নমক থবক পীবা ঙম্লোই হায়দুনতা লৈবনি। কৈদৌবগী ঙম্লোইদোইনো? হোৎনবদা ঙমদবা লৈব্রা? লৈঙাক্কী চানবা থবক লোইনা পীবা ঙমদ্রবসু হিংনবগী পাম্বৈ ওইজগদবা থৌরাং-থৌশিলদি পায়খৎপা য়াদব্রা? মীশিংদি সুম হেঙ্গৎলক্কনি, পুবা-থাংবা ঙমদ্রে হায়দুনা লোইনা হাত্তোক্লুবা য়াব্রা? মম্বাইদা অরোইবা সোলুসন অমা পুরক্তবনা মুন্ন-লাক্লবদা 'করপসন' থোরকই, হৌজিকসু লৈরি। প্রোব্লেম অমদগী অনী শুরকই। অদুনা ভোটরশিং হন্দক্তি পঙথহন্নীংদ্রে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৩

১) *"তালোই মরুম্বী, মপারি নুংজানবা, মমোম নুংঙোনবী মরল য়াৱা পুজাও রোইবা পুম্নমাসুং অমল য়াইথোং কুম্বদা ৱাইর লমজেন ফিগুম ঙাইরোইনদে। গুরুমপাওতাক ফংজবদা -- ৱারমসনা মৈখাংবদুম নামপ্রকাশ ময়েক অহুমমানা ৱাকয়ে হিগা ওই, লমলোই থৌদোক খোলনা খুমুনৌগা ওই, ৱাচুম ললওইননা মানা মানা নিংবদা লাংওনখিএ। অসিগীদমকপু গুরুসনা মাখোংখাদা নোম্না লনথোই তানববু থিনফরোইএ"* ৱাহৈ পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

২) **"শ্রী শ্রী গোবিন্দজী বসন্ত হোলি লিলা শৈশক শৈরেং"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৩) *"ইচে বীনো"* হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) *"ফিমন খুনবা"* হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কৃষ্ণমোহননা হন্দোকপনি। লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু কনানা করি লোলদা ইবা করি মমিং কৌবা লাইরিকনো?

৫) *"মীকুপ খরদুই পুন্সিগী মহাও"* হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# শুনীংবনা কনা, শুনীংদবনা কনা?

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



মালেমগী ওইনা, ইন্দিয়াগী ওইনদি ঐ কয়া খঙদে। ইরমদম ইরৈকাই মণিপুরগী ওইনদি খরা খরা খঙফেৎ, খঙফেৎ লাকফেৎ তৌজে। অদুনা অনকপগী অসি ওইনা খরা খজিক হায়জরগে।

মণিপুর অসিদা থবক ফংদ্রিবা লাইরিক লাইশু হৈরবা মীগী মশীং অসি লাখ তরেৎ/নিপালদি লৈরেকো। এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জদা তন্দুনা মিং চন্দ্রবা অমদি শুকচন চনখিদ্রবা ময়াম অমসু লৈরমগনিকো। লাইরিক লাইশু তমহৌদ্রবা অহল ওইরবা মী কয়া অমসু লৈরমগনি। লাইরিক লাইশু তল্লিবা মী কয়া অমসু লৈরিকো, এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জদা মিং চনগেরা চল্লোইরা থবক ফংদবা হায়বসিমদি অদুম হায়ফম থোক্লবনি। থবক শুফম নোম্ফম লৈতদনা মী কয়ানা তা তাদুনা লৈরি। মসি থবক তৌবগী, থবক শুবগী দরকার লৈত্রবা মী ঙাক্তনি হায়বদি য়াররোই। থবক লৈতবা মীনি নৎত্রগা শুনীংদবনি হায়বদি শুকয়া য়ারোই। মখোয়বু মীটিংদা নৎত্রগা অখঙ অহৈশিংনা ৱা খন্ন-নৈনরকপদা মরক মরক্তা শুনীংদবা মী ওইনা হেক হেক ঙাঙবা শকপা অসি মরক মরক্তা তাবা ফংই। মতম অদুদা ঐঙোন্দদি মদু থোইনা শাউনীংলুবগী মহুত্তা অনৌ অনৌবা ৱাখল খরা থোরকহন্নবগী মচাক পীবগুম্না থোকই।

ঐগা নক্কুনা তিন্নজবা ইনাওশিং, ইয়ান্বশিং ময়াম অমা শুফম নোমফম খঙদদুনা ককঙাওননা লৈনৈ। মখোয়বু ঐগী ইচিন অসিমক্কা থবক শুনীংদবা মীনি হায়দুনা হেক্তা শমজিল্লগা হায়বমক্তি ইচিন ইরৈ কেনগদবা ৱাফমনি হায়না হায়জনীংই। মরম খরদং পীজগে:-

মী অমনা থবক শুবা হায়বা অসি থবক লৈগদবনি। থবক অদু লৈঙাক্কী নৎত্রগা লন্নাইগী ওইবা তাই। শুনীংই হায়দুনা লৈঙাক্কী থবক অদু হেক্তা চোংশিন্দুনা তোলোপ চারুবা য়াবা নত্তে, শুনীংই হায়দুনা লন্নাই ফার্ম অমদি লন্নাই মীওইনা চলাইবা ইন্সটিট্যুসন অমদা ফন হেক্তা চোংশিন্দুনা থবক অদুদা হেক্তমক তোলোপ চাথোকপা য়ারোই। মদু মঙ হাগুম্বা, লীলাগুম্বা, ৱারীগুম্বা, ফিল্মগুম্বদদি ওইথোকপা য়াই, হৌজিক্কী মতমদদি মদু তাইবঙদা ওইথোকপা য়াররোই। লাইবক্তা ফাওবা .০০০১% গুম্বা ওইদৌবা মাল্লে। মীওই অমনা নালা শেংগে হায়বফাও মরী মতা নৎত্রবদি ফংনদবগী ফীভম য়ৌরক্লবনি। মতম অসিদা চাক চখোম অমমম চানরিবা থৱায় মচা অমমম পান্নরিবা মীওইবা অমদা থবক শুনীংদে হায়বা অসি চীন-য়া কেনগদবা ৱানি।

অমরোমদা মীবু থবক শুনীংদে হায়গে হায়রবদি থবক পীবা ঙম্বা তাই, থবক শুফম পীবা তাই, থবক পীরবা মতুংদা মী অদুনা তল্লি, ঐদি আমিয়া কাদুনা সুম তূম্মগা অবু কাদুনা লৈজগে হায়রক্লবা মতম অদুদা মহাকপু থবক শুনীংদে হায়বীবনা হায়বীবনি অদুদি নত্তনা থবক লৈতবদগী, শুফম নোমফম খঙদবদগী ৱানা পুন্সি লেঞ্জরিবা মী অদুদা শুনীংদবনি হায়বা তারবদি নহাক্তি কয়াম শুনীংলদনা মাইক্রোফোন অমা নমাঙদা থম্লগা ৱাদা পঙঙাঙদা ঙাঙলগা লৈ হায়না হায়রকপা তাবনি। নোংমা শাউনরক্তনা মাইক্রোফোনগা লোয়ননা শীংজংখোক্লা থোমগায়রকপা মশানা তারকপনি। মসি থোক্তবদি, ওইসনুকো! মীবু সুম শুনীংদে শুনীংদে হায়বসি মসি অসুম তোয়না তোয়না তাবা পোৎশক অমা ওইখৎলক্লি। মসি থবক ফংদ্রিবা, লৌশিং লৈজদ্রবা, শুফম নোম্ফম লৈজদবা মীওইশিংনা মমোন নুংঙাইজবা ৱাদি ওইরোই খঙবীবা ফৈ।

লৈঙাক্কী থবক ফংদ্রবা মীওইনা মশাগী লন্নাই থবক অমা পায়খৎপা তারসু শেল চঙই। ত্রেক্টর থৌগে হায়রসু, ইঞ্জোল কোয়গে হায়রসু শেল্লেপ চঙই। রিক্সো থৌগে হায়রসু রিক্সো লৈবা তাই, ওটোরিক্সো লৈনবা শেল লৈবা তাই, মদুবু লৈত্রবদি থবক শুনীংদবা অদুম তাদৌরিব্রা? ফুরিৎ খাওদা শেল পিক থন্না হাপচিল্লগা মাইক্রোফোন মমাঙদা ৱা ঙাঙলবদি থবক ফংদ্রিবা মী ময়াম অসিসু লোইনা শেল থুম ৱাৎতবা ওইনা উনরি। নোংমদা লুপা তরাফাওবা থোক্তবা মী কয়া লৈ হায়বসি কাউদবা চুম্মক্কনি।

য়োৎপাক অমা পায়রগা লৈবাক পঙতৌদা তৌরগা থবক শুবা চিংদৌরিব্রা? মদুনা কদাইদগী শেল লাক্তুনা য়ূম শাবা ঙমদৌরি, ইঞ্জোল লৈবা ঙমদৌরি, মদুনা অঙাং লাইরিক তমহনবা ঙমগদৌরিব্রা? মদুদি লায়রদনা অঙাং অদুবু পোকপীরগনি হায়রিবী নুপী অদু লুহোংবা ফংনবা শেল থোক্কদৌরিব্রা?

মীবু শুনীংদে হায়বসি মফম মরাং খঙনা, কাঙলোন চুম্না হায়বা নৎত্রবদি, মঙোন্দা থবক পীবা ঙমদ্রবদি মীবু থবক শুনীংদে হায়রিবা মীশক অদু মৱা লৌবা য়াদবা ৱারেম শুবা থবক শুনীংদবা মীশক ওইনা মাবু ওইনা খৎনরক্কনি। মীবু থবক শুনীংদে হায়বগী মহুত্তা থবক শুনীংদে হায়রিবা মীওই অদুদা মশাগা চানবা শিনফম ওইনা পীবিবা চুম্মক্কনি।

থবক অমা তৌবা মতমদা শেল চঙই। শেল অদু লৈত্রবদি থবক শুবা অসি য়াদবা অমা লৈ হায়বসি খঙবীবা ফৈ। শুনীংই হায়দুনা হেক্তা শুবা ফংবা নৎত্রে। মসিগুম্বা ৱাফম অসি খন্থবীরগা মীবু থবক শুনীংই শুনীংদে হায়বসি হায়বা অমা চঙই। ফনা হায়বা শাবনি, ঐসু লুপা ক্রোর তরামুক্তং লৈরবদি তৌগে খনবা থবক য়াম্না লৈজখি। লুপা লাখ তরাদং লৈরফাওদা কৈনোম তৌবা য়াবা লৈ। হাতে হাতে তারিবনিনা, কৈসু তৌবা ঙমদে ঐ। শুনীংদবগী কেটেগোরিদা তারগা লৈজরি। ৱারীবোবা। ●

# চিনগা খূৎকা মান্নদ্রে খঙলে

**নবকুমার ওইনা**

করি হায়রিবনো খঙদ্রে, ইমিং ফাওবা লাল্লম্লে, পাবদসু লাল্লে। ঐগী ইমিং নোবোকুমার হায়না পাগদৌবা ওইরিনি। বেঙ্গলি লোন্দগী হিন্দি অমুক ওন, মণিপুরী অমুক ওন, মৈতৈলোলদি নৎত্রে। কাবক কাবক খঙলকপসিদা ইকায়বনা শিরে। ইশানা ইশাসি কনানো খঙলক্তবা অসি য়ৌরকান্দা মীনা হায়বসু থাজদ্রিবনি। শিনীংলবনি।

হেক পোকপগা সরস্বতি খুরুম্লগা শঙ্গোম খের ময়াম চানখি হায়, হৌজিক ফাওবা ঐসু খের চাবা য়াম্না পাম্মী। লাইমিং লৌবদু মৈতৈলোলদা লৌদে, বামোননা করিনো মচুম অমা য়াদা লংশিনখি, লংদুনা নোগুন কৌই, অদুম থৌওইনা য়ান্দেদা লৌথোক্লগা থমজিনখ্রে। মাঙবু মাঙখ্রেদা। ইনে লৌবা মামহলগীদি য়াম্না চাউনা তাখ্রজাৎনি, নোংমদি লমওক মচা অনীখক নোগুন্দুনা পুল্লগা পুরকপনিনে, হাওখ্রবা, নোগুনসিসু কান্নখ্রজাৎনিকো। ফম্নাইবশিং লাকপদদি লমওক্তু হাৎপা ঙম্বা নত্তে, অদুদদি শজি ওইনা ফাবনি/হাৎপনি। কোমশিংনা হাৎপা উবদুদি নোংমদা শা ৭/৮ হাৎপনি। মতমদু ঐখোয়দি লাইনীংসিনা য়াদে হায়বগী কয়া পীজদে, লোন্না লোন্না চাবদি য়াওনবনি। কন্না চাবা হৌনরকপদগীনি মুৎখিবা তারে হায়বগী থিংজিল্লক্লিবসি। লাইনীংসি শন্দোক্লক্লিবা বেঙ্গোলদকাক্তি শা তানবসি তোকখিবা কুইরম্লনি। মখোয়গীসু লাই হাক্তক্তা শজি ফাবগী ৱারী য়াওরি।

লুহোংবদসু নোক্লিংবনা বর শেন্নবা অহলদুনা গোত্র হংলকই ঐদি খঙদে, অতৈদা হংখ্রে। শোল্লিবদুসু ঐসু খঙদে, ময়ামদুসু খঙবা মান্দে, ঈশৈদুনা হেন্না নোক্লিংখ্রে, অমত্তা খঙদে, অদুগা ঐগী লুহোংলিবনি হায়বগী শিল্লিবনি। বেঙ্গলিনা উরগা করিগীদমক হরাওরোই, নোক্লিংলম্বসু য়াই, খোন্থোক চুম্বা ঙমদে হায়বসু লৈ। মরুপ অমগী অপোকপা অহল লৈতবগী শোরাৎ অদুদা ওঝা 'ঝা' বেঙ্গলি স্কোলারনি, হৌগৎলগা থোকখি। পুখ্রি মপান্দা ফম্লগা লৈরম্মী, ঐনা অওৎ-অপা শারগা ওঝা হকচাং কৈদৌবা য়াওরবগে হংজিল্লুবনি। ঈশৈসি তাবদা নোক্লিংবনা খাংবা ৱারে, অসিদা ফম্লগা খাংবনি হায়রকপনি। ঐসু হন্দোকফম ঙাইহাক চমম্লে, পোত্থাবিখো হায়রম্লগা লাকখি। নুমিৎতুদগী ঈশৈদু শুংতা তানিংখিদ্রে। ৱাহন্থোকসু খঙদে, অদুদা মীয়াম অদুনা মাঙলিবা মতম খল্লুবদা, অদুদবু মীনাই ওইদনা কনানা ওইগনি খল্লকই। অদুতা নত্তে, ইপা-ইপু, ইমা-ইবেন কয়া শিবা খুদিং লাইরিক তৌরিবনি, শিদ্রিডৈদসু গোপালগী মমিং চাম্মা হায়ব্রা অদুসু তারিবনি। ফিরোইসুনি, শোরাৎ মচা অমনি, নোংমা নীনি মতম মাঙবীনি, চাকসু মাঙ, মতমসু মাঙ, পাঙ্গলসু তেকপীনি। ফজদ্রগা মিংচৎসু মাঙই হায়রিবনি। তোংবা অমত্তা য়াওদে। অদুগা করিগী তৌরিনো ঙকইবনি।

চহী অনী-অহুম শুবদগীদি দিন-উসব হায়রিসিনি। অদুসু শোরাৎ মচা অমগুম্বনি, লৈকায় অহল, ভাবোক ময়োন হায়রিদো অমনা বামোন্দুদা ঙাঙলি; বামোন ইবুংঙো, থৌবুসিনা শেল ময়াম তিংনা অসুক ফজনা হোৎনরগা নঙনা মচাসি পুরক্লিবসি লাই অচৌবদু ওইনা লেংলকপদি কৈদৌবগে? বামোনদুনা তপ্না খুল্লকই, 'পাবুং মথংদদি খঙজ রে'। লাই মচানা তানবা 'দুগা লাই অচৌবনা তানবা শেলগা খেন্নরমদৌ মানশিল্লকই।

কাংবু চিংবনে, দুর্গাবু লাৎপনে, গৌড় লীলা, ষণ শেনবা, জগোয় কৎপা, জুল্লোন, জন্ম, য়াওশঙ, হোলি, সনি খুরুম্বা, উমং লাই ফাওবা বেঙ্গলী লাই য়াওরবনি। লমদমসিগী লাই ফাওবা মপানগী এপল, কমলা, অঙ্গুর চারিনি; ফিজোল ফাওবা মপানগী থোল্লবনি, সনা অদুতবু নকলি (এলুমিনয়মগী) য়াল্লবনি, লিকসু, লৈসু নকলি, অদুতা নত্তে সেকেন্দ হেন্দ য়াওবগী ৱাসু লৈরি। অসিৱাইদসু লাই লোইনা লাৎকনি; তির্থ চৎপা, বৃন্দাবন চৎপা, ক্ষেত্র চৎপা, হরিদ্বার, পুরি য়ামখ্রে। তর্পন কৎলম্মী, রাশেশ্বরি পালা ওইনা কৎলম্মী হায়বা য়াওই। তর্পন কৎপা, উসব ওইনা তৌবসু লৈরিবনি। ঐখোয়গী ইপা ইপুসি খরদি চাগনবা মাল্লকই। লৈবা লৈতবা খঙদে, মথেল লুক্কোয়সু য়াম্না তান্নবা অমা য়াওরি, ঙা পামজরম্বনি, ঙা য়াওবসু লৈ। ঙা য়াওদ্রসু শঙ্গোম সানা, পকৌরা, মোধুর ঝাল, অচার, শাক, খির, বোরি থোংবা, চোরফল থোংবা ঐখোয়গী হান্নগীসু ময়ামনি - চম্ফুৎ, শগোল হৱাই, ইরোনবা, শিংজু, কংঙৌ, মতম মতমগী কোবী, হঙ্গাম, আলু, য়োংচাক, উতি, চগেম ময়াম লৈরিবনি। ফ্রুইট সলাদ য়াওশিল্লক্লবনি। শোরাৎকী তল পেকেট ফজ-ফজবসু লৈরি। অহৈবা তল, নিমকি, গজা, লাদু, চম-চম, লালমোহোন, জিলিবী, কনাগুম্বগীদা খের য়াওবসু লৈরিবনি। ঐখোয়সি চাবদদি মীগী-ঐগী খায়দে ফজনা চাবা জাৎনি হায়জবনি। মফম খরদদি মখোয়গী মটন বিরয়ানী অদুনা কৈদৌরুনি।

কলা পহার, সপরমৈনাদগী চুড়াচান্দপুর ফাওবসি কিলোমিটর কয়া ওইরমগবা, মোটোর বাইক্লা চৎলসু নোংমা ফাবা নত্তে। লম মমিংশিংসি পারগা করিগীনো হংলবদি থা অমা অনী চংবসু য়ারি। ধনমকুরীদগী হৌনা টেলিপতি, দুর্গা মৈদান, ধর্ম্মশালা, সনি মন্দির, কষ্টুরি, জে ইন মন্দির, গুরুদ্বার, জন্মস্থান, ব্রহ্মপুর, মহাবলি, নরসিং, কাঞ্চিপুর, কমক্ষ্যা, বিষ্ণুপুর, গঙ্গাপুর, চান্দপুর, শেতুপুর, চুড়াচান্দপুরদা লোইরব্রা, মমিং ময়ামসি তর্পন শোনবগীদুগা হায়রপ মান্নবগুম তৌরকই। কাংবায়গী মথংদরা বঙ্গলা হায়বা অমা লৈরিবনি, মদুদা বেঙ্গোলগী লম লোইরে হায়গদৌরিব্রা হংবা য়ারিবনি। সাইতোন্দা বেঙ্গোলি কোল্লুপ লৈরম্মীবনি। সেরৌদসু লৈরিবনি, হোটেল মচা-মচাদসু চপাতি, রোটি, সমোসা, বুনিয়া ঐখোয় ময়াম চাবদু কংলৈপাক মাল্লক্তে। মোরেদসু মঙায় প্রেমনগর হায়রিবনি, ইশাগী লম ওইনা খনবা ফাওবা য়াওরকই। ফুট চাম্মমুক চৎলগা লৈরিবা নম্ফালোংদু লমলোংগা ইমান মান্নে হায়রুবা ঙম্বা নত্তে। ঐখোয়গী লম ওইরম্মী হায়বা ঙমদে।

ঐখোয়না থৌদোক ৱাথোক্তা শেৎনরিবা ফৈজোমসি মমিং ফাওবদি ফজরে, ফৈনা জেম-জোম শেৎপা হায়বসু মাল্লকই। ফজবগী হায়রদি পুময়াৎ কৌবসিসু ফজৈ, ফি মপূমদা য়াৎপা রম্বোগী অদুমহায়না ময়ায়দা ঙক লিৎথোক্লগা খ্বাংদা পুল্লবসু য়াবদুদি নৎত্রে। কুর্টাদু পুময়াৎ কৌশিনবা, অমদনা ফৈজোম হেক্তা কৌশিনবা ওইরমান্নেদা। অনীমক ঐখোয়গীদি নত্তে, গমশা, ব্লাওস, ৱেয়র মচা-মচা য়াম্না লৈরি, খোঙ মোজা- ফুরিৎ মোজা, লোইবা নাইরোইদৌরি। সেকেন্দ হেন্দসু ময়াম য়োনশিল্লক্লিবনিদো। ফি ফজনা শেৎলদি বারো মমাঙদা চাক চাবা ফংদে, পুং অমদা চাবনা অয়াম্বনি, বারো-তেরো তারে হায়রিবনি। থেংনা লাকপা মীবুসু বারো গাড়ী হায়নরিবনি, লাই হরাওবসু বারো মতুংফাও হরাওবা য়াদে হায়রিবনি। লাই ফাওবা বারো খঙই হায়ববু য়াই। নুমিৎ য়ুংবগা, নোংয়াইগা অনীদুবুনি বারো হায়রিসি। ঐখোয়গীসু লৈজরি হায়বনি। মরুপ মনিমোহোন্নদি ঐগী মিংসি নোবো অদুম কৌই, মানা বেঙ্গলি শেংলিব্রা ঐনা বেঙ্গলি শেংলিব্রা, ঈ টেষ্ট তৌগদ্রা মদুমা খঙজদ্রে, চারোল তরেৎ হেল্লবদবু শেংনা ফংবা হৌনদেদা। ৱাঙাঙদুবু হায়রিবা।

মী খৎনদনবা কুষ্ঠি হান্না য়েংলগা দশা-লাংফম লৈবরা হান্না খঙদোকপনা ফবরা খল্লি। প্রটিকার তৌবা হায়বসিসু মাঙজৌননা তৌথোকপা য়াগদ্রা মরুপ পাঞ্জি গৌরমোহোন্দা হংহৌবনা ফগদ্রসু খল্লি। ৱাফমশিংসি খন্ন-নৈনবগীদি যাদুমনি, সোনামনি, চন্দ্রমনি, কৃষ্ণমনি, রধামনি, গৌরমনি, কলামনি, হেরামনি, শুর্জমনি, রাশমনি, কীরন, চুরামনি, রতনকুমার, বীরকুমার, জহেরা, জয়কুমার, আর কে, নিমাইচান্দ, ধন্নকুমার, ফিলিপস, কেনেদি, জোনসন ময়াম লৈরি; নৈনবদা লোইখ্রবরা খল্লি। হৌজিক্তি অশিংবা ঐখোয় পূম্নমক্না নাট ওইনা তৌরিবসি থাদোকপসু ঙমদে, ঙাঙলিবা লোল অসিসু শেংদোকপা ঙমদে, থৌওইনা মণিপুরী হায়রিবসি বেঙ্গলি লোন্থৈ অমনি হায়রিবনি। ইমুং-মনুংদা শেংদোক্লবদি ঙমদ্রগা উরিবা, য়েংলিবা মীশিংদা অদুম্না উবা য়ারোই, ঐখোয়না তৌরিবসি অদুম্না য়েংবা য়ারোই হায়বসিবু কনানা হায়গদৌরি। মসিবু মীনা তৌবা হৌনব্রা, কদায়দা তৌনবগে? ধর্ম্মদা মুৎপনা কৌশিল্লগা মুত্থৎপনি, মফম অসিদনা মী কৌশিল্লগা ঐখোয় ইশা ওইনা মুচ্চবনি। ৱারেপ ওইনা ফিরেপ অমা লৌবা ঙমজদবনি। খন্থহৌদবদগী ওইবসু য়াই, খঙদবনি হায়গনি, পঙবদগী ওইবসু য়াই। ওইনীংবা অমা ওইবদি য়াই, শামরক-ঙামরক তৌবদি ইকায়বা খঙদবগী ওইফম থোকই। মীওই খরনা ওইনবা কোয়চেন চেল্লি, থবক ওইনা তৌরি। মীওই খরনা শিংবা হেনগৎলকপগী মওংদা য়ানীংদবগী লাওরি, লাওবতনি। মসিবু মীয়াম্না তাবা য়াবা ৱারা? তানদ্রিবনি, লৈঙাক্না হেন্না তাখিদ্রে, ঙাঙবগা থবক্না অমত্তা শম্নবা নত্তে। মীয়ামসিনা শেম্বা লৈঙাক্লিদনা। শুমাং-মাঙ্গোল, ফক্লাং-লুক্লাং পূম্নমক হিন্দুগী লাইগী লাই ঙাক্তা থেৎলিবনি। দেল্লীগী মন্ত্রি ময়ামগী ফোটো ময়ামসিগা য়ানদবদগী অমর বঙ্গলা হায়বা ঙম্নদ্রিবা ওইগদ্রা? ঐদি হায়শিন্নবা মাল্লি (হায়দোক্তবসু লৈরমনি), মীনসু থাজরোই। নাট য়েংলগা আই এল পি পীরবদি মী পঙলেম লেমহৌরোইদৌরি। ●

পাউচে অসিদা ফোংজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।